# DISCOVERY OF KANGLEIPAK
# (71)

কংলৈ মীতৈ Science series

by

Wangkhemcha Chingtamlen

5/2/2107

ঙাংজরিবা ঐহাক রাংখেমচা চীংতমলেলনি। ঐহাক হৌজিক চহী ৮৪ শুরে। ঐহাক্না, হৌজিক কংলৈচা মীতৈ ইপা ইপুশিংনা চহীচা ১৮ গী মমাংদা, ময়াংশিংনা কংলৈপাক্কী রায়েন খুর্জি পায়দ্রিঙৈদা, ঙাংলম্বা লোন, রাহৈশিং অসি, পুয়াদা ফংবগী মতুং ইন্না, অসুক্কী মতিক - Scientific ওই, কংলৈচা মীতৈশিংনা ১৮ শুবা চহী চাগী মমাংদা মালেমগী Science গী লুচিংবা মীওইশিংনি হায়জরি। রাফমশিং অসি ঐহাক্না ইদুনা ফোংজখ্রবা The Wakoklon Heelel Thilel Salai Ama-ilon Pukok and The Modern Science হায়বা ইংলিসতা ইবা লাইরিক অদুদসু তশেংনা ইজখ্রে।

হৌজিক ঐহাক্না মীতৈশিংনা ঙাংলম্বা রাহৈ খরগী রাখল্লোন, রাহহ্বোক/concept মখাদা হায়জগদৌরি। ঐনা হায়জরিবা খন্নজরিবা রাহৈ/concept শিং অসি লাইরিক লাইসু হৈরবা নাহারোলশিংনা ইপা ইপুশিংবু নুংশিবীদুনা রাখল থাদবীনবা নিংশিংজরি। মতমগী লাইরিক লাইসু নিংথিনা হৈরবা নাহারোলশিংনা পুক্নিং লৌশিং থাদবীরবদি, ঐঙোন্দগী য়াম্না হেন্না খংবীবা য়াই।

১। <u>ঈপুঙ লোইনপা অপকপা</u>

ঐখোয়গী কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা পুয়া, রাকোকলোন হীলেল থিলেন সালাই অমা - ইলোন পুকোকতা শিজিন্নরম্বা রাহৈ/concept, ঈপুঙ-লোইনপা অপকপা হায়বসি ঐখোয়না উরিবা তেংপালপা, তিংপালপা অসিবু শেম্বীরকপা মপু, তেংপালপা অসিনা লৈত্রিঙৈদগী লৈরক্লবা (Primordial Reality) মপু অদুবু খংনবা রাখল্লোন, রা, রাহৈ, concept নি।

হৌজিক ঈপুঙ লোইনপা অপকপা হায়বা রাহৈ/concept অসিগী লোনগী হৌরকলোন Scientific origin পুথোকচগে।

কংলৈ ইপা ইপুশিংনা শিজিন্নরম্বা ঈয়েক ৮ শুবা ১৫ অসিগী মখাদা অসুম্না ইরিঃ " কামপী মৈ তমঙ, লাইচ ঈশিং তলঙ, মালঙবা নুংশিৎ তলঙ। অহুম মানা লৈতলিঙৈ, তলঙ ওইনা লৈলিঙৈকী মমিংপু তলঙ ঈপুঙ কৌয়ে। তলঙ ঈপুঙকী ঈয়েক অসিপু তিললাং কৌয়ে। "

মফম অসিদা 'তিললাং' হায়রিবসি রাহৈ অনিনা পুনশিনবা রাহৈনি, মদুদি তিল + লাং, তিল হায়বগী রাহহ্বোকতি, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ না পুনশিল্লবা 'তলঙ ঈপুঙ' অদু হৌজিক ঐখোয়না উরিবা তাইপঙ পালবদা লৈরিবা অহিংবা উ, রা, শা-ঙা মী অসিনচিংবা পুন্নমক অসিগী লাংওল্লক্লবগী মচাকনি হায়বনি। লোন অমরোমদা অমুক হায়বা তারবদি তলঙ ঈপুঙ, তিললাং অসি পুন্নমক অসিগী সন্নমহীনি হায়বনি।

মথক্কী রাফম অসিবু অচুম্বনি তাকতুনা পুয়াদা অসুম্নসু ইরিঃ " মালেম, নোংথৌ (সোরারেল) অনিনা উয়ুংচৈ ওইনা লেপখলে। উয়ুঙচৈ মনুঙতা, তাইনপা মলকতা কামপী, লাইচা, মালঙপা চাঈনলে। মৈ,ঈশিং, নুংশিৎ অসুম ওইপা মওংপু ঈপুঙঙোনা ওন্না ওন্না শাইওলে। "

মথক্কী পুয়াগী রাফম অসিনা হায়রিবদি তাইপঙ পালবদা, তেংপালবদা উরিবা পুন্নমক হায়বদি নুমিৎ, থা, থৌরাইমিচাক, উ রা, শা ঙা, মী অসিনচিংবা পুন্নমক অসি শিদবা মপু মহাক্না মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ অহুম অসি চায়নহল্লগা হন্না হন্না সাইওল্লকপনি হায়বনি।

মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ অহুম অসি পুন্নমকী মমাংদা, হৌজিক ঐখোয়না তাইপঙদা উরিবা খুৎশেমগী ওইবা পুন্নমক অসিগী মমাংদা লৈরম্লবনি, Primordial নি, পুমনমক অসি মৈ, ঈশিং, নুঙশিৎ কী সাইওন্নি, তলঙ ঈপুঙ কৌই, তলঙ ঈপুঙ অসিগী মপুবু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা কৌই, হায়বা খঙলম্লিবা অসি য়াম্না রাঙবা Science কী রাখল্লোন (Knowledge) নত্তনা করি ওইফম থোকই ? মরম অসিনা কংলৈ ইপা ইপুশিংনা নিংলমবা শোল্লম্লিবা লাইনিংথৌ, ঈপুঙ লোইনপা অপকপা হায়বা রাহৈ/concept অসি Science কী ওইবা রাহৈ/concept নি হায়বদা করি লানফম থোকই। কংলৈ ইপা ইপুশিংনা খংলম্লবা অসি খ্বাইদগী রাংবা Physics, Astrophysics অমদি Cosmic কী লৌশিংনি।

ঐনা হৌজিক হায়জরিবা পুন্নমক, ঐনা রাখলনা শাজিনজবা অমতা নত্তে। কংলৈ মীতৈ ইপা ইপুশিংনা ইদুনা থম্বিরম্বা, 1500 B.C গী অদুরাইদা ইরম্বা পুয়া, রাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোনদা ইদুনা লৈরম্বা অদু অরাইবা মওংদা শন্দোক্লা পাউদমজবতনি।

## ২। মালেম

ঐহাক্না মথকতা পনজখিবা পুয়া অসিগী মতুংইন্না, মালেম  অসি ঈপুঙ লোইনপা অপকপনা শেম্লকপা মরিশুবা পোৎশকনি। মালেম হায়বা রাহৈসিগী রাহন্থোকতি মাল্লে + ইমা = মাল্লেম = মালেম হায়বনি, সম্না অমুক হন্না হায়বা তারবদি, ইমাগুম্মী, ইমা মানবী, ইমাগা মান্নবী হায়বনি।

হৌজিক ঐখোয় মীওইবা অমসুং থৌল্লাই পানবা কয়ানা খুনদাদুনা লৈরিবা মালেম (Earth) অসিগী মরমদা, কংলৈ ইপা ইপুশিংনা ১৮ শুবা চহীচাগী মমাংদা খংলম্মা Science কী মতাংদা কংলৈচাশিংগী মফমদা পাউদমজগে মুন্না তাবীয়ু।

অদোম্না মায় নোংপোক ওনদুনা লেপ্পীরো - অদোমগী য়েৎ থংবা মায়কৈ অদুবু মখা কৌই, অদুগা ওই থংবা মায়কৈ অদুবু অৱাং কৌই। মখা অমসুং অৱাং হায়বা রাহৈ/concept অনিসি scientific words নি।

১৮ শুবা চহীদগী নোংচুপলোম্না Science and Technology দা য়াম্না চাওখৎলকপনা, মালেম (Earth) অসি শকতম করম্না তৌই, মসিনা করি করি তৌই হায়বসি হৌজিক্তি তশেং তশেংনা খংলে। অদুবু কংলৈচা মীতৈশিংগী ইপা ইপুশিংদি হৌজিক হৌজিক নোংচুপলোম্না খংলিবা অসি, খৃঃ গী মমাং (BC) গী চহী ১৫০০ তা খংখ্রে।

হৌজিক হৌজিক নোংচুপলোমগী Science কী মতেংনা ঐখোয়না খংলিবসি, মালেম অসি মতুম তাই, খাগা রাংগা শাংতক তৌই, অৱাং মতোনবু North Pole কৌই, খাগী মতোনবু South Pole কৌই, মানা মশা মথনতা লৈর-লৈরগা নুমিৎকী অকোইবদা চহী অমদা অমুকতং কোই, মশা মথনতা লৈ-লৈদুনা চৎপা অদুবু Rotation কৌই, অদুগা চহী অমদা নুমিৎকী অকোইবদা অমুক্তং চৎপা অদুবু Revolution কৌই। অতীঙআ অহাংবা অসিদা মালেম্না মশা লৈনা লৈনা কোয়দুনা চৎপা মতমদা, মালেমগী মখা থংবা মতোন (South Pole) অসিনা মখা ওনথরগা, অদুগা অৱাং মতোন (North Pole) অদুনা মথক ওনখৎলগা লৈনা লৈনা নুমিৎ কী অকোয়বা অদুম চৎতুনা লৈ।

## কংলৈ মীতৈ Science

ঐখোয় মীতৈনা মখা মায়কৈ হায়বা রাহৈ/concept অমা শিজিন্নরিবসি মালেম গী মখা থংবা মতোন (South Pole) অদুবুনি, অদুগা অৱাং হায়রিবা রাহৈ/concept অসিনা মথক থংবা অৱাংবদা লৈবা মতোন (North Pole) অদুবুনি। মালেমগী অৱাং থংবা মতোনদা লৈবা অদুবু অৱাংবা মায়কৈ অৱাং হায়বনি, অদুগা মখাদা লৈবা মতোন অদুবু মখাথংবা মায়কৈ, মখা হায়বনি। মসি মালেমনা খংনরিবা হৌজিক Scienc না তাকলিবা North Pole অমসুং South Pole গী রাফম অদু নত্রা? মসি কংলৈ মীতৈদি ঙসিগী মমাং চহী ৩৫০০ দা খংলদুনা রাহৈশিং অসি শিজিন্নরমলিবা ইরমলিবা নত্রা ?

মালেম লৈকোয়পুঙ

'মালেম লৈকোয়পুঙ' হায়বা রাহৈ/concept শিং অসি থায়না ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগী মোইরোং পর্বদা তৎতনা শিজিন্নবা তাই, পেনা শকপনা খম্ন-থোইবীগী লাংওনগী মতাংদা পেনা শকপদসু ইতৎ তৎতনা তাই। অদু ওইরবদি 'মালেম লৈকোয়পুঙ' হায়রিবসি করি হায়রিবনো ? 'লৈকোয়পুঙ' হায়রিবা অসিগী রাহন্থোক য়েংবীয়ু। 'লৈকোয়পুঙ'= লৈ + কোয় + পুঙ, অহুম অসিনা শাবা রাহৈনি, 'লৈ' হায়বদি লৈবা, মতোমতা লৈবা (Rotation), 'কোয়' হায়বদি কোয়বা, কোয়না কোয়না চৎপা (Revolution) হায়বদি নুমিৎকী অকোয়বদা Revolve তৌবা হায়বনি। অদুগা 'পুঙ' হায়বনা শাংতক তৌবা মতুম তাবা পোৎ হায়বনি। মরম অসিনা 'মালেম লৈকোয়পুঙ' হায়বগী রাহন্থোকতি মালেম অসি মতুম তাবা পোৎনি, মশাগী Rotation and Revolution লৈ হায়বা নত্তনা করি ওইফম থোকই। মরম অসিনা কংলৈ মীতৈনা, হৌজিক নোংচুপকী Science and Technology গী মতেংনা মালেমগা নুমিৎকা লৈনবা মরি অসিনচিংবা খংলিবা অসি ঙসিগী মমাং চহী ৩৫০০ মতমদা খংলমলে হায়বসি চিংনবা লৈরমগনি হায়বা থাজদে।

## ৩। থা

ঐখোয়না উরিবা নুমিৎদাং থোকপা মালেমগা খ্বাইদগী নক্লবা, মালেমদা কোয়না কোয়না চৎপা পোৎশক অসিবু ঐখোয়না ইচম চম্না থা হায়রগা খংনৈ। অদুগা ঐখোয়না থা হায়রগা খংনরিবা অপাইবা পোৎশক অসি, কংলৈ মীতৈগী Science কী লোনদদি ঈহীলেল থাচা হায়রগা খংনৈ। কংলৈ পুয়াগী মতুংইন্না, থা হায়বসি শিদবা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপনা শাইওল্লকপা (শেম্লকপা) ৭ শুবা পোৎশকনি।

থা হায়বা অপাইবা পোৎশক অসিগী Science কী Technical ওইবা মমিং ঈহীলেল থাচা কৌই হায়জখ্রে। হৌজিক ঈহীলেল থাচা হায়বা অসিগী থিগৎলোনগী রাহন্থোক খংবিয়ুঃ

## ঈহীলেল থাচা

ঈহীলেল = ঈ + হী + লেল। 'ঈহীলেল' হায়বা পুয়াগী ৱাহৈ\concept অসি ৱাহৈ\concept অহুম্না পুনশিল্লগা ওইরকপা ৱাহৈ\concept নি। অহানবগী ৱাহৈনা 'ঈ' হায়বদি হকচাংগী ঈ, blood হায়বনি। অনি শুবা 'হী' অসিনা হী য়াই ওইবা, থোকউ, ওইয়ু হায়বদা য়াবা পোৎশক হায়বনি। অদুগা অহুমশুবা 'লেল' হায়বা অসিনা খ্বাইদগী হেনবা হায়বনি,খুদমদি - ফিলেল, চাকলেল, তাইলেল অসিনচিংবা। মরম অসিনা 'ঈহীলেল' গী ৱাহন্থোকতি, তেংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপানা তাইপঙ পালবদা থৌৱাইপানবা পুম্নমকপু শেম্নবা থাথরকপা, পীরকপা, থৌৱাইপানবা পুম্নমক ওইবা য়াবা মপু মাগী মশক ওইরবা ঈ (blood) অদুবু হায়বনি। মথংদা 'থাচা' গী ৱাহন্থোক খংবীয়ুঃ

থাচা = থা + চা হায়বনি। 'থা' হায়বা ৱাহৈ অসিনা তাকলিবনা থাথরকপা, মথকতগী মখাদা লাকহনবা হায়বনি, 'চা' হায়বনা চাতা নৌতা অহিংবা থৌৱাই পানবা মীনচিংবা ময়াম হায়বনি।

মথক্কী অইবনা পুথোকচরিবা ৱাখল্লোন অসিগা লোইননা মখাগী ফৌশু ইশৈ অসিগা মুন্না খংনবা হোৎনবীয়ু।

**'থা থা থাপুঙতোন! নচা মোইলামপী পোপীকে, হৈপোঙ চালোং অমতা থাথপীলকউ, থাপুঙতোন।'**

কংলৈ ইপা ইপুশিংগী মথকতা অইবনা উৎচরিবা ফৌশু ইশৈ অসিগী Technical ৱাহন্থোকতি, থৌৱাইপানবা মশিং লাকঙমদ্রবা মীনচিংবা কন্নাগী লৈফম ওইরিবা মালেম অসিগা, মালেমগা হেক থংনরিবা থা অসিগা (planet and satellite) অনি অসিনা চহী লিশিং কয়াগী মমাংদা মীওইবনা তাইবংদা তারকপগী লম্বীদা শম্নরম্বগী ৱারিনি, মালেমদা লৈরিবা থৌৱাই পানবশিং মীনচিংবশিং অসি থাদা হান্না তারম্বা য়াবগী থাজবা লৈ, হৌজিক ঐখোয়না শেংনা খংলবা Terristrial origin of Life গী Theory দা।

অদুবু মশি তশেংনা উৎপদি, Reference লৈতবদগী ঙমদ্রে। কংলৈ ইপা ইপুশিংগী ঈহীলেল থাচা খেনচঙলোন হায়বা পুয়া অমা লৈরমই, মদু ময়াং মচাশিং অসিনা মখোয়না ৱায়েন লৈঙাক পায়বা ১৮ শুবা চহীচাদা মৈ থাদোকখ্রে। পুয়াদু মৈ থাদোক্কমদ্রবদি, ঐখোয় মীতৈ কংলৈচাশিংনা খংলম্বা Science অদু তশেং তশেংলগদবনি।

<u>মথক্কী ফৌশু ইশৈ অসি চাওরাকপা অমা খংনবা হোৎনশি -</u>

ফৌশু ইশৈ অসিদা য়াওরিবা ৱাহৈ\concept 'থাপুঙতোন' হায়বা অসি থা + পুঙ + তোন হায়বনি। 'থা' হায়বদি থা (moon), 'পুঙ' হায়বদি মতুম তাবা পোৎশক হায়বনি, মালেম লৈকোইপুঙ গী 'পুঙ' অদুনি, 'তোন' হায়বনা অপিকপা নত্রগা ইতোন তোনবা হায়বা ওইবা য়াই, মথংগী ৱাহৈ\concept 'নচা' হায়বদি নংগী নচা হায়বনি, 'মোইলামপী' হায়বা ৱাহৈ\concept অসিগী ৱাহন্থোকতিঃ 'মোইলামপী' অসি ৱাহৈ\concept অনিগী পুনশিনবা ৱাহৈ\concept নি, মদুদি মোই + লামপী অসিনি। 'মোই' হায়বদি মীওই হায়বনি, অদুগা 'লামপী' লমপী, ময়াম্না চৎনরিবা লম্বী অদুবু হায়বনি। মরম অসিনা থাগা মালেমগা, করিগুমবা মীওইবগী মালেমদা খুনতা লৈতারকপগী মরমদা করিগুম্বা মরি অমদি শোয়দনা লৈনরকলে হায়বসি থাজবা, ওইবা য়াবা লৈরে।

মথকতা অইবনা পনজখিবা অসিগা, জাপান্না থাগী মতাংদা হনদকতা থিজিনবদা থাদা oxygen লৈ হায়বা ফংখিবা অসিগা, পুন্না ৱাখল খনবদা, oxygen লৈরবদি থৌৱাইপানবা অহিংবা লৈবা য়াফম থোকপনিনা কংলৈচা মীতৈশিংনা ১৮ শুবা চহীচাগী মমাংদা থাদা অহিংবা থৌৱাই পানবা মীনচিংবা তারমই হায়না খংলম্বা য়াই, মসি কংলৈপাক্কী Astro - Physics Science কী হৈশিংবা অদুনি।

জাপান্না থাদা লৈবা oxygen অদু মালেমদগী চৎখিবনি হায়, অদুবু মীতৈগী science না খংলম্বা ফৌশু ইশৈগী ৱাফম, অমসুং থাগী মমিং অসি Technically ঈহীলেল থাচা কৌরম্বা অসিনা, জাপান্না খংলিবা থাদা লৈবা oxygen অদু মালেমদগী চৎখিবনি হায়বশি, মথংগী কুপ্না থিজিনবদা লাল্লকপা য়াই।

মথং মথং......